## যুথ কোংগ্রেস কমিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস)ঃ ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেসকী কন্সটিটুসন মখাদা জীরিবাম ব্লোক কোংগ্রেস কমিটি (জে বি সী সী)গী য়ুথ কোংগ্রেস কমিটি শেমখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কমিটিগী প্রেসিদেন্ট অমির হুইসেনগী মীৎয়েং থম্লগা নৌমা শেমখ্রবা য়ুথ কোংগ্রেস কমিটিগী থৌ পুগানবশিংদি প্রেসিদেন্টদা কেশাম সুন্দরজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরিদা কে মণিহার, সেক্রেটরিদা এম দি মুনিরুদ্দিন, এন জি ওদিট, অগ্রারুল হক, হুজনামহর, দিপ্পু, এলাংবম প্রেমকুমার অমদি মেম্বর ১৩সু য়াওরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ওজা ফৈজোম ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস)ঃ কট্টৱবা গার্লস হায় স্কুল জীরিবামদা শমবন্দ্রম খোগেন্দ্রনা ইবা ওজা ফৈজোম হায়না মিংথোনবা ৱারী লাইরিক অমা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, জীরিবাম ব্রাঞ্চকী হান্নগী প্রেসিদেন্ট এস তোনুবাবু অমদি সুমা পব্লিকেসনগী প্রোপাইটর শরত খোকচোমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রেসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লাইরিক অদুগী অইবা এস খোগেন্দ্রসু দাইস্তা ফমখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এস তোনুবাবুনা হায়খি, লিটরেচরগী লমদা ইবা হায়বসি থোইদোক্লা হৈয়োই-শিংথোইবা মগুওনি। লিটরেচরগী লমদা ইদুনা ইমা লৈবাক্কী থৌগল তৌবা অইবশিংগী পুক্নিং থৌগাইপীদবনি। ওজা ফৈজোম হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ওজা অমগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবনি। লাইরিক অসি সুমা পব্লিকেসনদগী ২১শুবা লাইরিক ওইনা পুথোকপনি।

## ইন্টর্নসিপ প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ ক্লব ২৫ ইন্টরনেশনেল মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ন্যু সোসিএল সাইন্স ব্লোক্কী লেকচর হোলদা নুমিৎ কুমনি চুপ্পা চথরকপা চিল্ড্রেন এন্দ য়ুথ রাইটস ইন্টর্নসিপ প্রোগ্রাম ২০১৫ ঙসি হোল অসিদা পাঙথোকপা অচপা থৌরম অমগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

দি এম কোলেজ, জে পি রিমেন'স কোলেজ, এন আই এম এস অমদি অতৈ কোলেজ কয়াদগী মহৈরোই ৩৫০ রোম্না শরুক য়াখিবা ইন্টর্নসিপ প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ফয়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেশন ওফিসর এন নবচন্দ্রনা 'ফয়র সেফটি বেসিক ত্রেনিং' হায়বা হিরমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মৈহৌ লাংপোক হায়বসি থোক্কনি হায়বা তস্বা ঙস্বা নত্তে। মৈহৌ লাংপোক থোকপদা করম্বা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লাকশিনবা য়াবগে হায়বগী লৌশিং ঐখোয় খুদিংমক্লা লৈনবা হোৎনবা ফৈ। লৌশিং মাঙদনা, থৌনা লৈনা মৈহৌ লাংপোক লাকশিননবগীদমক বেসিক ত্রেনিং তৌবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মৈহৌ লাংপোক থোকপা মতমদা য়ারিবমখে অথুবা মতমদা মণিপুর ফায়র সার্ভিসতা পাউ পিবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরদুনা মতম চানা পাউ পিরবদি পাক চাউনা মাঙ তাক্কদবদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি। মীয়ামগী সপোর্ট য়াওদনা থবক অমত্তা মায়পাকনা তৌবা ওইথোক্তে হায়খি।

'নিদস এন্দ ইমপোর্টেন্স ওফ য়ুঠ ফোর সোসিএল রিফোর্মস' হায়বা হিরমদা ডাঃ ধনবির লাইশ্রম অমসুং 'হেল্ঠ লিভিং এন্দ ইটস ইম্পেক্ট ওফ লাইফ' হায়বা হিরমদা সিজ হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট, এস জুগিন্দ্রোনা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল সুরজকান্তসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

**GAS TODAY**

**ATHOKPAM INDANE**
Delivery point-Wangjing & Khongjom
Booking upto-10/12/14
Valid from-25/11/14,
**Stk-DNSC(DBTL)-150, DSC-156**
Timing-7.30-10 AM
**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking upto-08/10/14
Valid from-05/09/14. **Stk-612**
Timing-7.30-11 AM
**IMPHAL LPG**
**Serial No. upto-33070**
Booking upto-28/11/14
Valid from-15/11/14.
**Stk-Subsidised-476, Non-Subsidised(DBTL)-100, Commercial-24**
**KHORIPHABA GAS, NAMBOL**
Booking upto-17/09/14
Valid from-04/09/14.
**Stk-DSC-612**
Timing-7.30 AM-12 Noon
**SAWOMBUNG INDANE**
Booking upto-16/10/14
**Stk-DSC-156, DNSC-150.**
Timing-7.30-10 AM
**M/S J. RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
Booking upto-08/12/14
Valid from-18/11/14.
**Stk-Subsidised(DSC)-306**

# 'ইম্ফাল মোরে লম্বীদা এ আরনা চথরিবা থৌওং ইন্দিয়াগী হোম, দিফেন্স মিনিষ্টরদা খঙহল্লগনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ (ঐচ এন এস) ঃ নেসনেল হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীদা ২৪ শুবা আসাম রাইফলস কাঙবুনা লম্বীদা লাকপা মীচম মীয়ামদা চথরিবা ওৎ নৈবগী থৌওং বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা আসাম রাইফলসগী ওথোরিটি, ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টরদা খঙহল্লগনি হায়না ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা পার্টি অসিগী স্পোক্সপার্সন আর কে শিবচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল মোরে লম্বীগী তেংনৌপল এরিয়াদা ঙরাং খোইশাউনরবা মীচম মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংবা, ২৪ শুবা আসাম রাইফলসগী কা হেনবা লীচৎ-শাজৎ কন্দেম তৌবা অদু অচুম্বা খোঙথাংনি। মসি ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্লিবা কোঙ্গ্রেসনা চহী চা কয়া করিসু খঙশিন উশিন্নদনা লৈবদগী য়ারনি হায়দুনা খুদোংচাবা লৌশিল্লকপনি। ইম্ফাল মোরে লম্বী অসিদা মালেমগী চৎনবী থুগাইবা, এন্টি ত্রেদ এন্দ ব্যুজিনেস অমদি এন্টি পীপল ওইবা পোলিসি অমগী মখাদা লৈবা লম্বী অমগী শক্তমনি। মসি চহী কুইরে চথরকপা। লমদমসিগী লো এন্দ ওর্দর ফৎতে হায়বগী মীংদা আর্মি অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা মখোয়না তৌনিংবা তৌহল্লি। মফম অসিদা লৈরিবা আসাম রাইফলসশিং বট্টালিয়ন ৪৬ কী মনুংদা বট্টালিয়ন অমদি কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি থেংননবা থল্লিবনি। অদুগা বট্টালিয়ন ১৫ না বোর্দর ঙাক্কবা থম্বনি। হায়রিবা বট্টালিয়ন ১৫ অসি চীংনুংদা বোর্দর ৱাল ফেন্সিংনচিংবা তৌবদা লম খোপচিল্লকপা য়েংশিনবগী মহুত্তা লম্বী শোরোক্তা থোরক্তুনা গাড়ি চেক তৌবা, মোরেদগী লোদ তৌরকপা গাড়ি খুদেংথাবীদা পোৎশিং লৌথহনবা, অমুক হাপকৎহনবা অদুগা তেংনৌপলদা অমুক লৌথহনবা, হাপকৎহনবা লোয়ননা কিলোমিটর অনীরোম অহল, অঙাং, নুপী, অশোনবা অনা অয়েক য়েংদনা খোঙনা চৎহনবসি তোক্কদবনি।

থৌদৌসি ইম্ফালদগী মোরে চৎপদা খুদেংথাবী য়ৌবদা ফনা মশা নানবা ওফিসর ওইরবসু ইমুং মনুং, মেম সাহেবকা পুদুনা লাক্লবসু খুবাক্তা আসাম রাইফলসগী সিপোই অমনা লানবা য়াবগী নম্বর অদু ইরগা লানহনবা অসিনি। মসিদা মীয়াম্না তুমিন্না লৈরিবনি, লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা খঙশিন্নদনা তুমিন্না লৈরিবনি। করম্বা মতমদা ষ্টেটকী মপী মপা ওইবশিংনা অসুক ফিভম চাদবা মওং অসি য়েংশিনখ্রবগে, ঙহাক্কী মীয়াম থেমজিন্নবা হোৎনবনা য়ারোই।

ইন্দিয়া ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসি কুমজা ১৯৯৪ গী জানুৱারি ২১ দা শোই তৌনখিবনি। হায়রিবা ত্রেদ অসি ওফিসিয়েল্লি চৎনবা হৌখিবনা কুমজা ১৯৯৫ এপ্রিলগী ১২ দনি। ত্রেদ তৌবা য়াবগী মওংদি অহানবদা ত্রেদিসনেল বি একচেঞ্জ অন্দর বার্টর সিষ্টেম, অনীশুবদা বোর্দর ত্রেদ ওফ এগ্রি একচেঞ্জবল আইটেম, অহুমশুবদা নোর্মেল/রিগ্যুলর ত্রেদনি। হায়রিবা চৎনবী অসি লৈরক্ত্রিঙৈদগী মণিপুর অমদি ম্যান্মারগী ঙমখৈ অসি লম অনী অসিগী মীওইশিংগী ব্যুজিনেস তৌদুনা লাকই। মফমসিদা ম্যান্মারগী মীওই কয়া শেল তান্দুনা হিংনরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইম্ফাল মোরে লম্বীদা পোষ্টিং তানবা হোৎনবদা সিফাইশিং পৈশা পুথোকপা মীপাইদে। লৈত-লাইরা কয়া হিংনবা লানফমদা খজিক্তং কান্নজরবদি হায়দুনা ললোন ইতিক চৎচরিবা করবারৱালা কয়া ইমা ইবেলশিংদগী ফোইদুনা মুন্দুনা লৌই। মসি চাওখৎলবা এসিয়াগী বোর্দর ঙাক্লিবা লান্মী অমত্তদসু চৎনদে। মসিনা ললোন ইতিক্তা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং চাউথহল্লি।

ইম্ফাল মোরে লম্বী অসি কিলোমিটর ১১০ রোম শাংবা অমদি সাউথ এসিয়া গেটৱে ওইরিবা অসিদা ম্যান্মার অমদি থাইলেন্দদগী লম কোইবা অমসুং লাইনিংবা বুদ্ধিষ্ট কয়া মণিপুর ফাওরগা বুদ্ধাগয়াদা লাকপা মতমদা মণিপুরগী লম্বীদা থেংনরিবা চেক তৌবা মওং অসি উবদা অনীরকশুনা লম্বীসিদা লাক্লিংলোই। মরম অদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি অসাম রাইফলসকী ওথোরিটিশিংদা প্রজাগী অৱাবা খঙহনগনি অমদি ইম্ফাল মোরেগী ওইরিবা ফিভম অসিগী রিপোর্ট অমা শেল্লগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙাকচগদবা লম্বী অসিদা মখোয়দা ওইনা তৌহনবা হায়বসি ষ্টেটকী মেছিনরি ফেল ওইরে তাকপনি হায়খি।

# 'মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বা তঙাইফদে'

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ লমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা চৎন-লোনচৎকী মনুং চন্না ইপা-ইপু, অহল-লমনশিংবু নীংজবা অমদি ইকাই খুম্ন বা উৎপগী চৎনবী মাঙহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা মীয়াম হুপ্পা দাইত্ব লৌমীন্নগদবনি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ইনাৎ য়োখৎ অপুন লুপলেন (ঈয়ালু) না শিন্দুনা ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা লুপলেন অসিগী ১৬ শুবা য়ুম্ফম থোনবা অমসুং মাইচৌ নীংশিং থৌরমদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, ঙল্লিঙৈ মতমদা অহল লমনশিংবু লুনা কিনা চৎনরম্বা থৌওং অদু ঙসিদি মাঙশিল্লক্লে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না হোংলক্লিবা থৌওং অদু ঙসিদি ঐখোয়সু য়াওরিবনি। হোংলক্লিবা চৎনবীসিদা মচা মশু কায়নবা য়াম্না য়াওরে। ঐখোয়গী ফজবা চৎনবীসি লৈত্রে। ৱেষ্টনগী চৎনবীনা নোংমা নোংমগী তপ্পা তপ্পা ঐখোয়গী চৎনবী কয়াসি নমহৎলক্লি। অদুনা ঐখোয়না অহলশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা থম্বসি চাওথোকচনিংঙাই ওইগনি। থৌওং অসি খুন্নাইসিদা মতম শাংনা মমি তাবসু ওইসনু। অহলশিংবু মীরাইবা চুমদে, মখোয়গী করিগুম্বা খরদি তৌফম থোকই হায়খি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা অহল ওইরবা কেদরসো তাঙ্খুলনা হায়খি, তাঙ্খুল ত্রাইব অসি ত্রাইবশিংগী মনুংদদি মেজর ত্রাইব ওইরি। তাঙ্খুলগী কলচর অসি মৈতৈশিংনা পুখৎপীদ্রবদি মণিপুরগী কলচরদা ময়েং তাগনি। অদুনা কলকপা য়েংথিবা য়াওদনা কাংলুপ খুদিংমক্কী কলচর খুদিংমক য়োকখৎপা চঙই। মণিপুরগী চীং-তম অমত্তনি। অহলশিংনা থল্লম্বা ত্রাইব খুদিংমক্কী কলচরশিং য়াওবা ইন্সটিট্যুশন অমা থল্লবদি হেন্না নুংঙাইগনি হায়খি।

মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসকী দিপ্যুটি দিরেক্টর এম দি অবদুল কলাম্না হায়খি, মাইচৌ কয়ানা ইদুনা থল্লম্লবা পুয়াশিংনা ঐখোয়গী লৌশিং ওইরি। খাগেম্বা নিংথৌগী মতমদা য়ুম্নাক শাগৈ পীদুনা থল্লম্বা মৈতৈ পাঙলশিং য়ুমখাইবম য়ুম্নাক্কী চাদা নাওদানি। ঐখোয়গী ইপুদু থোকচোম নিঙোল লৌরম্মী। মহাক্কী চাদা নাওদা ওইনা য়ুমখাইবমসি লৈহৌবনি। মসি পুয়াদগী খঙবা ঙম্বনি। মণিপুরগী নাৎ, কলচর, হেরিটেজ কন্নবগীদমক্তা থৱাই ফাওবা কথোক্কনি। অহলশিংনা পুৱারিশিং ইবিরমদ্রবদি লৈরল্লোই, মী লৈত্রবদি পুৱারি অমসুং কলচর হায়বসি লৈরল্লোই হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না অহলশিংবু চৈশু, মৈফু, কম্বলনচিংবা পীদুনা ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা "মায় পাক্লবগী লাইৱাশিং" অইবা সুরজিৎ, "মমি শামখ্রবা নীংতম লালহৌ" অইবা মঙ্গিসনা অমসুং "মসিরা নিংতম্বগী মহাও" অইবা লৈশাংথেম লয়ানবা মৈতৈনচিংবশিংনা লাইরিকশিংসু ফোঙখি।

থৌরমদুদা ডাঃ ক্রিটি, পদ্মশ্রী অমসুং ডাঃ এন ইবোহল মৈতৈ, প্রিন্সিপাল মৈতৈ লায়েং, লুচিংলেন্ন-চিংবশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## রেভলুস্নরি সোলিদরিটি মায় পাক্না পাঙথোকখি ঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ ইন্দিয়ন এক্সপানিজমগী মায়োক্তা ইন্টরনেশনেল প্রোটেষ্ট দেগী শরুক অমা ওইনা য়ু এসকী কালির্ফোনিয়াদা লৈবা লোস এঞ্জেলসতা চথখিবা রেভলুস্নরি সোলিদরিটি অদুনা মণিপুর মীয়াম্সুমতিং হাপ্লে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা থাদোরক্পা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি কমরেদ নোংলেন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরী মীয়াম, পেত্রিওটিক নেসনেলিষ্ট ফোর্সেস, দেমোক্রেটিক ফোর্সেস অমসুং রেভলুস্নরি মীয়াম্না ইন্দিয়ান এক্সপানিজমগী মায়োক্তা লাঞ্জং চঙশিল্লি অমদি ঐখোয়না নেসনেল অমদি ক্লাস লিবরেশন মায় পাক্কনি হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লি। রেদ গার্দস লোস এঞ্জেলস অমদি ন্যু কম্যুনিষ্ট পার্টি লিয়েজন কন্মিটি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা লমজিংলিবা নেসনেল অমদি মণিপুরগী ক্লাস লিবরেশন্দা সোলিদরিটি উৎতুনা প্রোলেটরিয়ন ইন্টরনেশনেলিজমগী দাইত্ব লৌববু ঐখোয়না হরাও তয়াম্বা উৎলি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, য়ু এস অমদি মণিপুরী মীয়াম্না চঙশিনখিবা সোলিদরিটি অদুনা অমগা অমগা লৌশিং তামিন্নবা, মতেং পীনবা অমদি অপুনবগী খোঙজং চংশিনমিন্নবা হায়বসি ঐখোয়না তমহৌরে। অসিগুম্বা সোলিদরিটি ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা পুম্নমকপু ঐখোয়না থাগৎপা ফোঙদোক্লি। থৌরম অদুবু শিল্লি লাংলিবশিংনা মায় পাক্না পাঙথোকখি হায়না খঙহল্লকপবু ঐখোয়না চাউথোকচবা পোকই। ইন্দিয়া, মণিপুর অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ঈ-পাউ অমদি পুৱারিদা শরুক য়াদুনা মালেমদা খঙহল্লিবা য়ু সি ইরভিনগী রেভলুসনরি এৱার্দৱিন্নিং পোইট মেট্রু সেদিল্লো অমদি এলেক্সপু মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুম্নবা উৎলি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা য়ানবা পুরকখ্রে, ঙসি লৈখিদ্রবা মীওই অনীগী হকচাং লৌরগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩১ (ঐচ এন এস) : কদাংবন্দ থোংখোঙদা থা অসিগী হৌখিবা ২৮ গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা নিপালশুবা অসাম রাইফলসনা নোংমৈ কাপ্পদা কারদা তোংদুনা লাকপা কুকি ইনপী কাংচুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি কে এন এফকী মীওই অমগা পূন্না মীওই অনী শিখিবা অহুম্না শোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মেজিষ্টিরিয়েল ইনক্কাইরি তৌদ্রবদি মণিপুর বন্দ তৌগনি হায়না জে এ সিনা দিমান্দ তৌরম্বা অদু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরক্তুনা হন্দোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা জে এ সি অমদি গভর্নমেন্টকা ৱারী শানবা অদুদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা দেপ্যুটি সিএম গাইখাঙম, আই এফ সি দি মিনিষ্টর ঙমথং হাউকিপনচিংবা য়াওখি। জে এ সিগী মায়কৈদা কাংচুপ চীংখোঙগী ভিলেজ চীফ হেংখোঙম হংসিং, কুকি ইনপী সদর হিল মণিপুর অমদি কে এস ও মণিপুরগী লুচিংবসু শরুক য়াখি।

নাকল অনীনা ৱারী শানবা অদুদা গভর্নমেন্টনা কদাংবন্দগী থৌদোক অদু থা অসিগী মনুংদা মেজিষ্টিরিয়েল ইনক্কাইরি তৌরগনি হায়বগী থাজবা পীখি। অদুবু জে এ সিনদি মেজিষ্টিরিয়েল ইনক্কাইরি তৌবা অদু নুমিৎ ১৫ গী মনুংদা তৌবা পাম্মী। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অশিবা হকচাং অনী অদু হান্না পোষ্ট মোর্টেম তৌরগনি। হয়েং ফেব্রুৱারী ১ দা রিমসকী মোর্গতগী হকচাং লৌরগনি। অদুগা ফেব্রুৱারী ১দা পুং ২৪গী মণিপুর বন্দ তৌগনি তৌরম্বা অদুসু হন্দোক্লে হায়না কাংচুপ চীংখোঙগী ভিলেজ চীফ হেংখোঙম হংসিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুদি কাংচুপ চীং ভিলেজ ওথোরিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী খুপনৈলাল (৪৫) অপোকপা এন টি লাল্লম লৈফম্না কাংচুপ চীংখোঙ অমদি কে এন এফকী কাদর অদুনা মুলখোসৈ কিপগেন এলিয়স রোবর্ট (৪০) অপোকপা এন টি থালুন লৈফম্না সেটবুংনি। কে এন এফকী কাদর অহুম্না শোকখি হায়রি।

## ইগজামমদা খোংবান চেনবশিং...

*লামায় ১গী মখা...* মহৈরোয় ৯,৯৫৩ অদুগা প্রাইভেট সেন্টরদা ১৫,০৯২না চাংয়েংনগনি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা টুয়েল্ভ ইগজাম থাগদবা মহৈরোয় মশীং অসি বিষ্ণুপুরদা ১৭১৩, চান্দেলদা ১০৩৪, চুড়াচান্দপুরদা ২০৩৪, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩৪৪৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৭৬৬১, সেনাপতিদা ৩৩৭১, তমেংলোংদা ৫০২, থৌবালদা ৪৩৯১ অমদি উখ্রুলদা ৯১৩, পুন্না ২৫,০৪৫নি।

মেত্রিক ইগজামগী ওইনা বোর্দ সেন্টর ৩১, প্রাইভেট সেন্টর ৬৭নি। প্রাইভেট সেন্টরদা মহৈরোয় ২৮৪৪৭, বোর্দ সেন্টরদা ৫২০০ অমদি প্রাইভেট কেন্দিদেট ওইনা ১৯৬না ইগজাম থাগনি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা ইগজাম থাগদবা মহৈরোয় মশীং অসি সেনাপতিদা ৪৩৯৭, উখ্রুলদা ২২৮৪, তমেংলোংদা ১৫৩৯, বিষ্ণুপুরদা ৩৫৬২, ইম্ফাল ইষ্টতা ১৯১০, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩৮০৯, চুড়াচান্দপুরদা ২৮৭৬, চান্দেলদা ১৪৯১, থৌবালদা ৬৫৮২, বোর্দ সেন্টরগী ৬২০০, প্রাইভেট কেন্দিদেট ১৯৬, পুন্না ৩৪,৮৪৩নি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইগজামমদা সেন্টর খরদা অরানবা পান্বে শীজিন্নখিবা য়াওব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মার্ক য়াম্না ফংলকপা (চাদা ৮০গী মথক) মহৈরোয়শিং দি এম কোলেজদা চঙনবগী ইগজামদা ফেল ওইবা য়াওরকখি। মরম অদুনা ইগজামদা অরানবা পান্বে চথবা থিংনবা মীৎয়েং কয়া চঙলকপনি। মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীবা সী বি এস ঈ স্কুল অসি ৫১ রোমতনি। গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা লিংখৎপা সী বি এস ঈ স্কুলশিংদসু অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। মহৈ-মশিংগী লমদা খুমাং চাউশিন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং কয়া চঙলি। ওজাশিংগী ওইবা ট্রেনিংসু পাঙথোক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## মপিথেল দামনা শোকহল্লবশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরনা শেংদোকপীরকউ। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী লূচিংবশিংনা মতিক চাবা থবক পায়খৎলু। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা অশোয়বশিং চুমথোক্লুবা শেংদোরক্তুবদি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীনবা খঙহল্লগনি অমসুং মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহন্নবা আইনগী থোঙদসু থেংনরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হন্দক হেল্ঠ দিরেক্টরনা লুপা লাখ ৮৪গী মাদর কিট য়ৌরক্ত্রে হায়বদু কদাইদা থল্লিবগে হায়বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লু। করিগুম্বা পীথোকখিবা য়াওরগনা কনা কনাদা পীখ্রবগে অমদি লুপা লাখ ৮৪গী পোৎলম অদু করম্না শীজিন্নখিবগে হায়বদুসু মীয়াম্না খঙহল্লু।

এন আর ঐচ এমগী কন্ট্রেক্ট ওইনা নর্স, ফার্মসিষ্ট অমদি দ্রাইভর লৌবগী ৱাল পোষ্টর চহীসিগী জন্যুৱারী ১৯দা থেৎখি। অদুগা থবক লৌবা অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ১২দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দমদা হেল্ঠ দিরেক্টরনা শোই তৌরম্লে। থবক হাপ্পা হায়বসি থবক খনবগী ফল লাউথোকপা নুমিৎতা শোই তৌনৈ। অদুবু হেল্ঠ দিরেক্টরনা থা ৪গী মমাঙদা শোই তৌথোক্লিবসিনা অরানবা তৌরে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লবনি হায়খি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অন্দ্রো এ সীগী লম্বীশিং শেম্নবা ফন্দ লৈতে হায়না ফোঙদোকই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা এম এল এ শ্যামকুমারনা হায়খি, এ সী অসিগী মনুং চনবা লম্বীশিংদা চাকা তরুক পানবা গাড়ীদগী হেন্না চাউবা গাড়ীশিং চঙবা থিংলগনি। কাংখোং ১২দগী ১৬ পানবা গাড়ী থৌজিল্লকপনা হান্নদগী ফীভম শোক্লবা লম্বীশিং অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লে। মরম অদুনা গাড়ী অচৌবশিং চঙহনগে হায়রবদি মদুগা চান্নবা লম্বী হান্না শেমগদবনি।

## এন এস আর সাস্ত্রি এৱার্দ...

*লামায় ১গী মখা...*২৮দগী ৩০ ফাওবা আইজোলদা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটি প্রেক্টিসেস ফোর স্মোল এন্দ মার্জিনেলাইজ গ্রুপস এন্দ কম্যুনিটিজ ইন ইন্দিয়া হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেমিনার লোইশিনবগী থৌরমদা পীরকখিবনি। এৱার্দ অসি লাইভষ্টোক প্রদক্সন অমসুং মেনেজমেন্টকী ফিল্ডদা রিসার্চ ৱার্ক তৌবগীদমক শকখঙবা ওইনা পীরকপনি। ডো. টি ঐচ রনাধির, কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক ইম্ফালদগীনি হায়রি।

## পাইথহৌবা ফত্ত-হাওদিনা লম্বী...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু মণিপুরদা ফত্ত-হাওদি খোম্বগী থবক তৌরিবশিং অসিদি অমোৎ-অকায় পুবগী পরম ঙাক্তে।

অমোৎ-অকায় খোম্বগী থবক তৌবা য়াওবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়খি, য়ুমথোঙ খূদিংদগী খোমগৎলকপা ফত্ত-হাওদিশিং হেক পুথোরকপগা মচুম লৌথোক্লবা খুৎলাই শীজিন্নগদবনি। হায়রিবা খুৎলাই অসি মণিপুরদা লৈতে, আই এম সীনসু পীদে। মচুম লৌথোক্লবা মপং ওইবা পোৎলমশিং অদুমখক্তমক গাড়ীনা পুরগা অমোৎপা হৈদোকফমদা থাদগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মণিপুরগী ওইনা অমোৎ-অকায় হুন্দোকপগী অয়াবা পীরবা মফম চপ চাবা লৈত্রি। মতম মতমগী ওইনা অমগীদা খরা, অমগীদা খরা থাদুনা লৈরি। কনাগুম্বগী পুখ্রি-খোংবাল ফুন্নবা হৈথবীয়ু হায়রক্লবদি হরাওবনা লুতোন কাই।

## লোক্তাক দাউনষ্ট্রিম বেরেজ...

*লামায় ১গী মখা...*ইন্টর-ষ্টেট বস টার্মিনস শেমগৎপগী অকুপ্পা ৱারোলশিংগী মতাংদা সেন্টরগী টিম অদুনা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা য়াম্না কুপ্না ৱা হংখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ফন্দ মতিক চানা লৈতবনা ষ্টেটনা পুথোক্কদবা চাদা ১০ অমসুং এজেন্সীগী চার্জ চাদা ১১.৭৫ পীবা ঙমদবনা প্রোজেক্টকী থবকশিং মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন টকী মায়কৈদগী থমখি। মসিগা লোয়ননা এন ঈ সীনা থাদরকখিবা ফন্দ পুম্বগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট অমসুং একাউন্টেন্ট জেনরেলগী ওদিট ষ্টেটমেন্ট থাগৎপগী মখা পোন্না এন ঈ সীনা ফন্দগী লাষ্ট ইন্সটোলমেন্ট থাদোকপগী মওং খরা কোমথোকপীনবা হায়জখি।

মোরেদা ফিল্ড বিজিট তৌরুবগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, লুপা ক্রোর ৪.০৭ চঙনা মোরেদা পায়খৎলিবা যাত্রি নিৱাসকী রিনোভেসন মণিপুর গভণমেন টনা রিসোর্সশিং নীংথিজনা শীজিন্নদে হায়না চার্জ তৌখি। যাত্রি নিৱাস রিনোভেসনগী থাদখিবা শেনফম অদুনা অনৌবা বিল্ডিং অমা শাবা য়ারগনি হায়নসু ঈকায়বা পীরমখি।

ককচীংদা জিবন হোস্পিটাল য়েংশিনবা চৎপদদি খুমাঙ চাউশিন্না থবক পাঙলম্বদা দোনরগী সেক্রেটরিনা অপেনবা পোকখি। অদুম ওইনমক এম ও য়ুদা য়াওরিবশিং কুপ্না য়েংশিন্নবা অমসুং লাইরবা অমদি মথৌ তাবশিংদা পীফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা পাউতাক পীরমখি হায়রি।

# ঈং-তপ্পা লমদম ওইরবদি নোর্থ ইষ্টতা খ্বাইদগী চাউখৎপা ষ্টেট ওইগনি : মিস্থিং

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ৩১ (ঐচ এন এস) ঃ খ্বাই নুংশেং শিন্থালূপ (কে ঐচ এন এস আই)না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ফিল্ম দিবেলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম এফ দি সী)দা নোংমগী ওইবা পিছ কভেন্সন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এক্স-মিনিষ্টর আর ভী মিস্থিংনা হায়খি, মণিপুর অসি ঈং-তপ্পা পাম্বা ষ্টেটনি। ঈং-তপ্পা ষ্টেট ওইরবতদা চাউখৎপা ষ্টেট ওইগনি। মণিপুরনা ঈং-তপ্পা ষ্টেট ওইরবদি নোর্থ ইষ্টতা খ্বাইদগী চাউখৎপা অমদি ফজবা ষ্টেট ওইবা ঙমগনি। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং মাগী মাগী ফুরুপকী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোকসি। ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইরবা মতমদা চাউখৎপা লমদম অমা ওইরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা মীয়াম্না ঈং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইরক্লুবা হোৎনদা তেংবাংবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল থল্লদুনা কে ঐচ এন এস আইগী জেনরেল সেক্রেটরি টি লৈশেম্বনা হায়খি, পিছ কনভেন্সন পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি খন্নাই অমা মশক থোকহনবা অমদি চাউখৎহনবদা ঈং-তপ্পা হায়বসি তঙাইফদ্রবা পোৎচং অমনি। মসিবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নগে হায়বা তারবদি ঐখোয় মশেল নুংশিনবা অমদি কথোক্লবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ খূদিংমক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নগদবনি। ফুরুপ অমনা অমগী নাৎ অমদি চৎনবী ঈকায় খুম্নবা তঙাইফদে। ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপা মথৌ তাই হায়খি।

পিছ কনভেন্সন অদুদা তোঙান তোঙানবা লাইনিংগী মকোকথোংবা মীওই কয়াসু শরুক য়ারি। থৌরম অসিনা চীং-তমগী মরক্তা হেন্না মরী চেৎশিনহনবদা মতেং পাংলগনি অমসুং মৈরি থোক্লা চাল্লকপা য়াবা অকিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা অপোকপা মরুপকী অঙম্বা এন কে পুথিবনা প্রসিদেন্ট অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এম ঐচ এগী এদভাইজর (ইন্টরনেল সিক্যুরিটি) ডো. সী ঐচ মনোরঞ্জ খুমন অমসুং অমিপকোগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং লাক্তৌরি

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ তোম্বীস্না হায় স্কুলগী লৈবাক তৌথোকপদা কোক্কী তুম্বা য়াওনা শরু শয়াংশিং ফংখিবা অদুগী অচুম্বা লংলা লংজিন লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং লাক্তৌরি।

কন্মিটি ওন মাস গ্রেভ এট তোম্বীস্না হায়স্কুলগী কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা পাউ চে অসিদা হায়, তোম্বীস্না হায় স্কুলগী লৈবাক তৌথোকপদা ফংখিবা কোক্কী তুম্বা অমদি শরু শয়াংশিংগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকউ, রিটয়ার্দ জজশিংনা শাবা কন্মিটি শেমদুনা শরু শয়াংশিং অদু থিজিলহল্লু, ৱাথোক অসি সি বি আইদা শিন্নগনু হায়বা য়াওনা দিমান্দশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা গভর্ণমেন্টদা পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা দিমান্দশিং লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা পীগদবনি হায়না দেট লাইন পীখি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা রেস্পান্স পীরক্তবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে। মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না খোঙজংগী মওং লেপকনি। হৌজিক্কী ওইনা খোঙজংগী মওং লাউথোকপা ঙনমল্লি হায়খি।

ফিদমগী প্রসিদেন্ট কাঙুজম রঞ্জিৎনা হায়খি, ঐখোয়গী খোঙজং লেপ্পা লৈতে। হৌজিকসু মাঙখ্রবা মীওইগী ইমুংশিংদা চৎতুনা থিজিনবগী খোঙজং কন্না চথরি। হৌজিক ফাওবগী থিজিনবদা চীং-তম অনীমক্তা মীওই ২৩ শুরে। মসিদা উখ্রুলগী ওইনা সেক্যুরিটিনা ফারগা মাঙখিবসি ৭ শুরে। তম্পাকখক্ত নক্তনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মাঙখ্রবা মীওইশিং থিজিনবগী থবক চথরি। প্রোপর উখ্রুলদা এজিটেশন চথনবগীদমক্তসু শেম শাবা লোইরে। খোঙজং অদু উখ্রুলগী ওর্গনাইজেশনশিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, অথুবা মতমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেংনৌপলদসু এজিটেশন চথবগা লোয়ননা হীংবগী হক অমদি লিগেলগী ওইবা এৱ্যার্নেস কয়াসু পাঙথোক্কনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি চীংগী লমদসু মী মাঙবগী থৌদোকশিং থোক্লি। অদুনা মখোয়সু হিংবগী হক তানবদা খরমখৈদি শরুক য়াদবা, খঙদবা য়ারক্ত্রে। তম্পাক খক্তমক ফারগা মাঙখিবা নত্তে।

মহাক্না হায়, সি বি আইদা শিন্নবসি য়ানিংদে। মণিপুর গভর্ণমেন টনা হেন্না চাউবা থৌদাং লৌদুনা অচুম্বশিং পুথোকফম থোকই। ঐখোয়না পীখিবা মতম ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা পাউখুম পীরক্লবা ঙাইরি। মসিদা গভর্ণমেন্টনা রেসপোন্স পীরক্তবা তারবদি মণিপুরদা লৈরিবা লুপশিংনা শেম্বা কমিটি অসিনা গভর্ণমেন্ট খঙনা থবক পায়খৎকন্দবনি।

ত্রান্সপরেন্ট ওইনা, মপুং ফানা মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী মথৌ ওইগদবনি। মসিদা নাথৈদুনা লৈবসু য়ারোই। সি বি আইদা শিন্নবগী মথৌ তাদে। অদুনা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্ত্রিবা ফাওবদি খোঙজং হল্লোই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে ঃ আর পি এফ

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ দিমাপুরগী ইরোস লেন জঙ্কসনদা হৌখিবা জানুৱারি ৫ দা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং ফারে হায়না লমদমসিগী নুংতিগী ফোংবা পাউচেশিংদা য়াওখিবা লোঙজম ওজিৎ মৈতৈ অপোকপা এল জয়কুমার, সবুংখোক, মাইবম বিরেন সিংহ অপোকপা এম তোন্দা, সবুংখোক মখা লৈকাই অমসুং এম জিবন সিংহ এলিয়স কতুনচা, অপোকপা প্রিয়োকুমার, সবুংখোক মখা লৈকাই হায়রিবা মীওইশিং অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না রেভলুস্নরি পিপল'স ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী চীফ বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## মপুরোইবনা থাঙনা থিনবদা লোইনবী শোক্লে

ইম্ফাল, জানুৱারি ৩১ ঃ মপুরোইবগা খৎনদুনা মতম খরা মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী নুপী অমা মহাক্কী মপুরোইবনা নুপী ময়ুমদা হৌখিবা শগোলেশল নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা লাল্লুগা থোঙ হাংদোকউ হায়বদা য়াদবদগী থোঙ নমখায়দুনা চংলক্লুগা নুপী অদুগী মবুক অমদি ফৈগন্দা থাঙনা মরিরক থিঞ্জিল্লন্দগী শোক্তুনা অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা শুগ্নু পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা চেন্নরিবা নুপা অদু ফানবা থিবদা লোৎখ্রে। থাঙনা থিনবদা শোক্লবী নুপী অদুগী মমিং ভাহোইচান চাচন হাওকিপ (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা সোংখোলিম হাওকিপ কৌই। লৈফম্না শুগ্নু পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা নামারেৎ খুন্দা লৈবনি। মপুরোইবা অদুগী মমিং থুমলেঙচিঙ এলিয়স থুন্দা অনাল (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা বেঙম অনালনি। লৈফম্না চাকপীকারোংগী তমপী খুন্দা লৈবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, মপুরোইবা থুমলেঙচিঙ এলিয়স থুন্দা অনালনা থাঙনা থিনবদা মহাক্কী লোয়নবী ভাহোইচান চাচন হাওকিপ (২৮) গী ওইথংবগী পুকচেপ্তা থাংফম অহুম ওইথংবগী ফৈগন্দা থাঙফম অমা লৈরম্মী হায়রি।

## অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এলাওয়েন্স...

*লামায় ১গী মখা...*থবক ফংহন্দবগী এলাওৱেন্সসু পীদে হায়বা খঙবা ঙমখি। মরম অসিদগী এম জি এন ঈ জি এক্ট অমসুং স্কিমগী মতুং ইন্না ওন্নদসমেননা থা অসিগী ২৬দা ৱায়েল তাখি। ৱায়েল অসি তাবা নুমিৎতগী থা ২গী মনুংদা ৱাকৎলোইশিং অসিদা অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এলাওৱেন্স পীখিনবা প্রোগ্রাম ওফিসরদা দিরেক্টিব পীখি। এম জি এন আর ঈ জি এগী সেক্সন ৮গী সব-সেক্সন ৩গী মতুং ইন্না ফন্দ লৈতে হায়বগী য়ুম্ফমদা অসিগুম্বা ৱাকৎ অমত্তা ককথৎপা য়াদে হায়বসু খঙনখি।

অন-ইমপ্লোয়মেন্ট এলাওৱেন্স পীবগী চাং অসি অহানবা নুমিৎ ৩০নি হায়বদি কুমজা ২০১৪ ওক্টোবর ১৪দগী নবেম্বর ১২ ফাওবা ৱেজ রেটকী মরি থোকপগী শরুক অমা অমসুং লেমহৌরিবা মতম নবেম্বর ১৩দগী দিসেম্বর ২৮ ফাওবগীনা ৱেজ রেটকী তম্ভায় ওইগদবনি হায়খি।

ৱাকৎলোইশিং অসিদা প্রোগ্রাম ওফিসরনা ওফিস এক্সপেন্দিচর/কন্তিঞ্জেন্সীদগী মমিংতগী মমল ওইনা লুপা ৩০০০ পীনবসু ওন্নদসমেননা খঙহনখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০১-০২-২০১৫, থাংজ, ফাইরেনগী ১৩নি পানবা নুমিদাংগী পুং ১২.৪৪ দগী ১৪ নি পানবা, য়োগীনি মায়কৈদি মখা, নুমিদাংগী পুং ১২.৪৪ দগী নোংচুপ

*মেষ* ঃ ৱাখল লাংবা, অনীংবা থবক্তা ঙমজবা লৈ, মুক্লবা লাক্কনি, লমদা চৎপা কান্নগনি।
ললোল ইতিক ঃ ঈশিংগী থবক্তা কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখঙ-লৈশা ঃ তুং মাঙ য়েক্লবা য়ামগনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

*বৃষ* ঃ মুক্লবা, মীনা তাইওন্নবা খনবা, মখা থাবা মীগা শাওনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
ললোল ইতিক ঃ অরংবা পোথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংতক্লবা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা, অপোম-অতং লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

*মিথুন* ঃ থবক অমা তৌবদা অনীরক হনবা লৈ, শেল চৎপা লৈগনি, লম কোইবা চৎনীংলকপা পীগনি।
ললোল ইতিক ঃ চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈগী অকিবা লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।

*কর্কট* ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি, শেল চৎপা হেনবা লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ তিন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চা-চন্দন।

*সিংহ* ঃ মুক্লবা, মীগা শাওনবা, অকাউবা পীবা মতাংনি, পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
ললোল ইতিক ঃ অচা-অথক্কী থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখঙ-লৈশা ঃ নীংবগা তৌথোরকপগা খেন্নগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

*কৈন্যা* ঃ ইমুং-মনুংদা নুঙাইজবা পাউ লাকপা, অশাউবনা অমাঙবা পীবা লৈ, খরা চেকশিনবীয়ু।
ললোল ইতিক ঃ য়েক্লবা য়ামগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ মুক্লবা লাক্কনি, খোইশাওনবা লৈ।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

*তুলা* ঃ শাওনিংবা, করি তৌসিগে খনবা, পুক্নিং লাংবা, শেল চৎপা, ইমুংগী মৈশা লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ মাঙবনা হেল্লি, ঈশিংগী থবক চান্নে।
পাখঙ-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎপা, অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ খোঙদা নুঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*বৃশ্চিক* ঃ তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন-মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
ললোল ইতিক ঃ মৈগী লল্লোল ইতিক চান্নে, কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাউবী ওইরকপা লৈ।
হকচাং ঃ শরূ-শিংলিদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

*ধনু* ঃ নুংনাঙবা, কান্নবা ৱাৎপা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
ললোল ইতিক ঃ চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ পুক্নিং চেৎশিন্নবা লৈ।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

*মকর* ঃ মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
ললোল ইতিক ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চান্নে।
পাখঙ-লৈশা ঃ পুক্নিং লাংবা, ইকাইবা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

*কুম্ভ* ঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্লবা পীরকপা, অকী-অখং লৈবা, অরাপ্পদগী নুঙাইবা পাউ লৈ।
ললোল ইতিক ঃ সনা-লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ মীৱা-মৈশা, অয়েৎপা লৈ।
হকচাং ঃ উনশা নুঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ নাপু, ঘী।

*মিন* ঃ চাউখৎপা ওইগনি য়েক্লবা য়ামগনি, তৌজরুবা থবক্তা মীনা খঙবীবা লৈ।
ললোল ইতিক ঃ অরু-অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখঙ-লৈশা ঃ থীক নেম্বনা থা লাম্বা থোক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক, খৌরি নুঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।